# লুপা কোটি ৮৪৩৪.৬৪ গী মপুং ফাবা বজেট সিএমনা সভাদা পুথোকখ্রে

# পৱার সেক্তরদগী শেল হেন্না খোমগৎপা, মৈগী ফিভম ফগৎহনবদা মীৎয়েং থল্লি

*–চিফ মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুলাই ২:*** চৎলিবা শেনবা চহি ২০১২-১৩গী ওইনা অপুনবা শেনফম লুপা কোটি ৮৪৩৪.৬৪গী মপুং ওইবা বজেট ফাইনান্স মিনিষ্টরগী চার্জসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি সিংহনা মণিপুর বিধান সভাদা পুথোকখ্রে। পৱার সেক্তরদগী শেল হেন্না খোমগৎতুনা শেন্দোল কোক্লবা অমদি মৈগী ফিভম ফগৎনবা হোৎননবা পান্দম থল্লি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

শেনবা চহি অসিগী মপুংফাবা বজেট অসি সভাদা থল্লদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, ঙসি পুথোক্লিবা অপুনবা শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা কোটি ৩৫০০ না প্লানগী, লুপা কোটি ৪৩৬৬.১৪না নন প্লানগী অমদি লুপা কোটি ৫৬৮.৫০না সি এস এস ,সি পি এস অমদি এন ই সিগী স্কিমশিংগীনি। অপুনবা এক্সপেন্দিচর ইষ্টিমেট অসিগী মনুংদা লুপা কোটি ৬০৪.২৯না চার্জদ এক্সপেন্দিচরনি অদুগা লেমহৌরিবা লুপা কোটি ৭৮৩০.৩৫ অসিনা ভোটেদ এক্সপেন্দিচরনি। লোয়ননা লুপা কোটি ৬১৫৮.৬৩না রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অদুগা লুপা কোটি ২২৭৬.০১না কেপিটেল এক্সপেন্দিচর ওইগনি হায়না পান্নরি।

নন প্লানগী অপুনবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর ওইগনি পান্নরিবা লুপা কোটি ৪১৬৮.৮৬ অসিগী চাদা ৫২ হায়বদি লুপা কোটি ২১৭৫.৭৭ অসি সেলরি এক্সপেন্দিচর ওইগনি হায়না পান্নরি। মসিগী মনুংদা পুলিসকী লুপা কোটি ৬৮৯.৪১, এডুকেসনগী লুপা কোটি ৫৪৮.০২ অমদি হেল্ঠকী লুপা কোটি ১৩৪.৪২ য়াওরি। অমদি পেন্সন এক্সপেন্দিচরনা লুপা কোটি ৬৭৯.৭১ ওইগনি পান্নরি।

চহি অসিগী ওইনা নোর্মেল সেন্ত্রেল এসিষ্টেন্স অসি লুপা কোটি ৮৪০.৫৪দা লেপ্লে, এস পি এ গী মখাদা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা প্রোজেক্টশিংপায়খৎনবগীদমক লুপা কোটি ৪৫০ খাত্তুনা থল্লে। চহি অসিদা প্লানিং কম্মিসন্না এস সি এগী মখাদা লুপা কোটি ৮০০ পীরক্লে,মসি মমাংগী চহিদগী চাদা চাম্মা হেনগৎলবনি। ১৩ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী অৱাৎপা শরুক মেনখৎনবগীদমক অহেনবা শেনফম পীবীনবায়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরদা হায়জখ্রো মসি খঙবীদুনা হৌখিবা জুন ৫ দা পাঙথোকখিবা নোর্ঠ ইষ্টকী চিফ মিনিষ্টরশিংগী মীফমগী মহৈ ওইনা অদর সেন্ত্রেল রিসোর্ছ ওইনা অহেনবা লুপা কোটি ৩০০ পীরক্লে।

শেনবা চহি অসি হৌরকপদা লুপা কোটি ৬০০ গী ময়াদা নেগেতিব ওপনিং বেলেন্স ওইখিবদু প্লানিং কম্মিসন্না খন্নবীখিদ্রে। চহি অসিদা প্লান অমদি নন প্লান অনিমক্তা ওভরড্রাফ্ট তাদনবা হেন্না চেকশিন্না শেল শিজিন্নবা তাই। প্লান এক্সপেন্দিচরশিংগী মগুন হেনগৎহন্নবা ষ্টেট সরকারনা ডিভলমেন্ট প্রোজেক্টশিংগীদমক থার্ড পার্টি মোনিটরিং সিষ্টেম হৌদোক্লে। ইন্তিগ্রেটেড চাইল্ড ডিভলপমেন্ট স্কিম, মিদ দে মিল, নেসনেল সোসিয়েল এসিষ্টেন্স প্রোগ্রাম অমদি পি ডি এসগী ইভালুয়েসন ষ্টডি ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সি অমনা তৌরগনি। প্রোজেক্ট মোনিটরিং মেকানিজম অসিনা স্কিমশিংগী থবকশিং মগুন হেনগৎহনগনি। মসিনা প্রোগ্রামশিং অচুম্বা মওংদা পায়খৎপরা হায়বদু লেপকনি তঙাইফদ্রগদি চুমথোক্লবা খোংথাংশিং পায়খৎকনি।

শেনবা চহি অসিগী কেপিটেল আউটলে অসি লুপা কোটি ১৮১৮.১৮ ওইগনি পান্নরি। মসি অপুনবা প্লান আউলেগী চাদা ৫১.৯৪ নি। এস পি এগী মখাদা ক্রিটিকেল ইনফ্রাষ্টকচরশিংগী অহোবা মেনখৎনবা প্রোভিজন থল্লে। ট্রাইবেল গ্রোঠ ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং য়াওনা ট্রাইবেল এরিয়াশিংগী অপুনবা শেনফম লুপা কোটি ৮০, চীংগী অমদি তম্পাক্কী ডিষ্ট্রিক্টশিংগী লম্বীশিংগী ফিভম ফগৎহন্দুনা লম্বী শেম্নবা লুপা কোটি ১২০ থল্লে।

মসিদা নত্তুনা ইম্ফালদা অর্বান হাট শাননবা লুপা কোটি ৫, চীংগী অমদি তমগী ডিষ্ট্রিক্টশিংদা ডিষ্ট্রিব্যুসন নেটৱার্ককী জি আই পাইপ লৈনবা লুপা কোটি ১৫, ফ্লন্দ কন্ট্রোল অমদি এন্তি ইরোজন স্কিমগী লুপা কোটি ৪০, সেরিকলচর প্রোজেক্ট ফেজ টুগী লুপা কোটি ১৩.২২, আই টি এস ই জেদ শেমগৎনবা লুপা কোটি ৫, চিল্ড্রেন পার্ক শাননবগী লুপা কোটি ৫,ওগমেন্টেসন ওফ ড্রিঙ্কিং ৱাটর থৌবাল মল্টিপর্পজ দামদগী ইম্ফাল সহর ফাওবা পাইপ লাইন তিংবগী লুপা কোটি ১০, থৌবাল লৈশাংথেমদা ৩৩ কেভি লাইন য়াওনা ২X৫ এম ভি এ, ৩৩ ১১ কেভি সব-ষ্টেসন শেমগৎনবগী লুপা কোটি ৩.৭৫য়াওরি।

সরকার অসিনা লৌউ শিংউবা অমদি লৌমীশিংবু চাওখৎনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌই। এগ্রীকলচর অমদি মসিগা মরি লৈনবা সেক্টরগীদমক মমাংগী শেনবা চহিদগী চানা১৮ হেনগৎহন্দুনা চহি অসিদা লুপা কোটি ১৬৪.৬৬ হাপ্লে। লৌ উননবা লম পীকশিনলকপা, নোং মতম চানা চুদবনা মরম ওইদুনা চাথোক হন্থরকপা থেংননবা সরকারনা ইরিগেসন প্রোজেক্টশিং পায়খত্তুনা ঈশিং পীনবা মীৎয়েং থল্লি। মেজর অমদি মেডিয়ম ইরিগেসন অদুগা মাইনর ইরিগেসনগীদমক শেনবা চহি অসিদা লুপা কোটি ৬০৮ খাক্লে। হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং লোইশিন্নবগীদমক্তা এ আই বি পিগী মখাদা লুপা কোটি ৫৪৯ থল্লে হায়খি।

পৱার সেক্টরগীদমক লুপা কোটি ১৩০ খাক্লে। সোসিয়েল সেক্তরদা এডুকেসন, স্পোর্টস , আর্ট এন্দ কলচরগীদমক লুপা কোটি ১৮৩.৭৩, হেল্ঠ অমদি ৱাটর সপ্লাইগীদমক মথংশিংনা লুপা কোটি ১৩৬ অমদি লুপা কোটি ১৮৫ থল্লে। নুপী অমদি অঙাংশিংদা মগুন লৈবা হেল্ঠ কেয়ার পীবদা সরকারনা মীৎয়েং চংলি। অর্বান ডিভলপমেন্টকীদমক লুপা কোটি ১৮৭.৮৮ খাক্লে। এস টিশিংগী য়াইফনবগীদমক লুপা কোটি ৩৭.৩৭, মাইনোরিতি, ও বি সি অমদি এস সিগীদমক লুপা কোটি ১৭.৮০ খাক্লে।

ইনফ্রাষ্ট্রকচর ডিফিসিট হন্থহন্নবা অদুগা ইকনমীগী মরুওইবা সেক্তর ওইরিবা হেল্ঠ এডুকেসন, নুপী অমদি অঙাংগী য়াইফ থৌরাংঅমদি ন্যুত্রিসন অদুগা ফুদ সেক্যুরিটি হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা অমদি পাকথোক চাওথোকহনবদা পুক্নিং চংগনি। ইন্দষ্ট্রিজ অমদি সার্ভিস সেক্তরদা হেনগৎলক্লিবা ডিমান্দ ফঙহনবা ঙম্নবা স্কিল ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাকথোক চাওথোকহনগনি।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ১২শুবা চহি মঙাগী মতম অসিদা চাওখৎ খোঙথাংদা খুমাং চাওশিনবা অমদি মীয়ামগী অপাম্বশিং ফংহনবা পাল্লি। লাক্কদৌরিবা চহি মঙা অসিদা পৱার, থক্লবা ঈশিং অমদি লম্বীগী ফিভমগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি। শোত্থহৌরবা কাঙলুপশিং অমদি চাওখৎতবা মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মীওইশিংগী সোসিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা মতিক চাবা ইনভেষ্ট লৈনবা হোৎনগনি।

পৱার সেক্তরদা জেনরেসন, ট্রান্সমিসন অমদি ডিষ্ট্রিব্যুসনবু কোর্পোরেতাইজ তৌবদা মতেং ওইনবা এস বি আই সি এপিবু কন্সলন্টেট ওইনা খল্লে। ইন্ট্রা ষ্টেট ট্রান্সমিসন ফগৎহন্নবা অমদি মসিনা এ টি এন্দ সি লোস হন্থহনলক্লবা জোইন্ট ভেঞ্চর অমা লিংখৎনবা পি জি সি আই এলগা ৱারি শান্নরি। মসিনা লোং তার্ম মেজরশিংনি। সোর্ট তার্ম মেজর ওইনা কম্মর্সিয়েল লোস হন্থহন্নবা পৱার ডিপার্টমেন্টনা পুলিসকা লোয়ননা অনওঠোরাইজ কঞ্জুমরশিং অমদি তেক্স তোনবা মীওইশিংগী মথক্তা ড্রাইভ চত্থবা হৌরে। মসিগী মোনিটরিং সিষ্টেম অসিসু অপগ্রেদ তৌনবা হোৎনরি। মমাংগী চহিদা প্রীপেইদ মিটর পানবা হৌখ্রে, চৎলিবা চহি অসিদা অখন্নবা খরগী ওইনা প্রীপেইদ মিটরগী মথক্তা ওর্ডিনারি মিটরশিংবু ইনফ্রা রেড মিটর শিন্দোক্লবা থৌরাং তৌরি।

ষ্টেট ফাইনান্সগী মতাংদা পল্লদুনা চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিগী রিসোর্ছ লাকফম অসি য়াম্না পীকই। ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু রিসিপ্তকী চাদা ৯০ দি সেন্ত্রেল টেক্স ট্রান্সফরশিং অমদি গ্রান্ট ইন এইডতগীনি। মসিনা ভারত সরকারদগী ফংলকপা রিসিপ্তশিংখক্তদগী মখা পোল্লি হায়বা উৎলে। পুলিসগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা পাঙথোক্লবা এম ঐচ এগী রিকমেন্দ মতুংইন্না অহাংবা ফমশিং মেনশিনখ্রে অমদি অহেনবা পোষ্টশিং শেমখ্রে।

হৌখিবা চহি খর অসিদা শেল চাওনা থাদখিবা অসিনা খুঙ্গং অমদি সহরদা মশক থোক্লা অহোংবা পুরকপা ঙম্বতা নত্তনা লো এন্দ ওর্ডরসু মপুং ফানা ফগৎলে। শেনবা চহি অসিগী অহানবা থা অহুম অসিদা কমিতেদ লাইএবলিটিশিং য়াম্না ৱানা শিনখি। অদুবু সরকারনা এক্সপেন্দিচর কন্ট্রোল তৌবনা ফিভম খরদি ফগৎলে অমদি চহি অসিগী জুন ২৯ ফাওবদা নেগেটিভ কেশ বেলেন্স অসি লুপা কোটি ৪০ খক্তা ওইরে।

মণিপুর ফিস্কেল রেসপোন্সিবলিটি এন্দ বদজেট মেনেজমেন্ট এক্তা থল্লিবা পান্দম অদু সরকারনা ঙাক্লবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে অমদি নন প্রডক্তিব নন প্লান এক্সপেন্দিচরশিং ককথনবা পাম্বে পুথোক্তুনা হোৎনরে।প্লানগী রিসোর্ছশিং ফংনবা হোৎনবদা অৱাৎপা লৈবনা চৎলিবা চহি অসিদা শেল থুমগী অৱাবা হেনগৎলক্কনি হায়না আশা তৌই অমদি শেনবা চহি অসিদা ফিস্কেল ডিফিসিট অসি জি এস ডিপিগী চাদা ৪.২ য়ৌরবা য়াই হায়না পান্নরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।